# সনালৈবাক স্পোর্টস

**IMPHAL, TUESDAY, DECEMBER 11, 2018 PAGE 7**



*রাইদর কপকী টাইটল লৌদুনা য়ুরোপিয়ান গোল্ফর ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রবা ইটালিগী গোল্ফর ফ্রান্সেস্কো মোলিনারি*

*ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব লিভরপুলদা শান্নরিবা লোয়নলা মখা তানা কেন্ট্রেক সাইন তৌনখ্রবা মশাগী চহী ২১শুরবা জো গোমেজ*




## অহানবা টেষ্ট মেটচতা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়াবু রন ৩১ দা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা পুৱারী শেমখ্রে

*এদিলেদ, দিসেম্বর ১০ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নরিবা ক্রিকেট টুর অসিগী মনুং এদিলেদতা ঙসি লোইশিনখিবা অহানবা টেষ্ট মেটচতা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু রন ৩১ দা মায়থিবা পীদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী সোইলদা অহানবা টেষ্ট মেটচ মায় পাকপা ঙমদুনা পুৱারী শেমখ্রে।

অহানবা টেষ্ট মেটচ অসিগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌরকপনি। ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ২৫০ লৌবা ঙমখিবনি। ইন্দিয়াগী অহানবা ইন্নিংস অদুদা অহুমশুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা চিটেশ্বর পুজারানা য়াম্না ফজবা বোট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ২৪৬ মায়োক্নবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৭ য়ৈরগা রন ১২৩ লৌদুনা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু রন ২৫০ য়ৌহনবা ঙমখিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ২৩৫ লৌখিবদগী ইন্দিয়াদগী রন ১৫ শোথদুনা লৈখিবনি।

মখা তানা ইন্দিয়ানা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ৱিকেট পূম্নমক তুরগা রন ৩০৭ লৌবা ঙমখি। টিম অসিগী অনীশুবা ইন্নিংস অসিদা মমাঙদা রন ১২৩ লৌবা ঙমখ্রবা চিটেশ্বর পুজারানা রন ৭১ লৌরম্বা অদুনা টিম অসিগী খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বেটসমেন অজিনক্য রহানেসু রন ৭০ লৌবা ঙমদুনা অনীশুবা ইন্নিংস অসিদা অনীশুবা খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা মায় পাক্নবগী রন ৩২৩ লৌনবা হোৎনদুনা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস মখা চথরকখি। অহানবা টেষ্ট মেটচ অসিগী ঙরাং মরিশুবা নুমিৎ লোইশিনখিবা ফাওবদা ওষ্ট্রেলিয়ানা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১০৪ লৌবা ঙমখিবদগী মায় পাক্নবগী মখা তানা রন ২১৯ লৌবগী মথৌ তাখি।

ঙরাং মরিশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন সোন মার্স অমসুং ত্রেভিস হেদনা মথংশিংনা আওট ওইদনা রন ৩১ অমসুং ১১ লৌদুনা লৈখিবনি।

ঙসি মঙানিশুবা নুমিৎ শান্নরকপদা ওষ্ট্রেলিয়ানা মখা তানা রন ১৮৭ খক হাপচিনবা ঙমখ্রবা মতুং ৱিকেট ১০ মক আওট ওইদুনা অহানবা টেষ্ট মেটচ অদু ইন্দিয়ানা রন ৩১ দা মায় পাকপা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংস অদুদা ঙরাং রন ৩১ লৌদুনা লৈখিবা সোন মার্স মখা তানা রন ২৯ হাপচিল্লগা রন ৬০ দা আওট ওইখি। ত্রেভিস হেদসু রন ১৪ খক লৌরমখি। মখা তানা চঙলকখিবা অতোপ্পা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেনশিংগী মনুংদা কেপ্টেন টিম পাইনেগী রন ৪১, পেট কুম্মিন্সকী রন ২৮, মিটচেল ষ্টার্ককী রন ২৮ অমসুং নাথন লিওননা আওট ওইদনা রন ৩৮ লৌরম্বা অদু শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংস অদুদা ইন্দিয়াগী বোল্লর জস্প্রিট বুমরাহ, রবিচন্দ্রন আস্বিন অমসুং মোহমদ সামীনা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন ৩ / ৩ আওট তাহনবা ঙমখি।



*ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন সোন মার্স আওট তাহল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

## ইংলেন্দ অমসুং ফ্রান্স ক্রোস–ওভর মেটচশিং মায় পাক্তুনা হোক্কী মেন্স ৱার্ল্ড কপকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

*ভুবনেশ্বর, দিসেম্বর ১০ঃ*

ইন্দিয়াগী ষ্টেট উরিষানা য়ুম্বু ওইরগা ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা চথরিবা হোক্কি মেন্স ৱার্ল্ড কপ্তা ইংলেন্দ অমসুং ফ্রান্স মখোয়–মখোয়গী ক্রোস–ওভর মেটচশিং মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ঙসি অহানবা ওইনা শান্নখিবা ক্রোস–ওভর মেটচতা ইংলেন্দনা ন্যু জিলেন্দবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌদুনা পুল এগী মকোক ওইরকখিবা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন আর্জেন্টিনাগা শান্নরগনি।

ইংলেন্দ অমসুং ন্যু জিলেন্দনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী মায় পাক্নদবা য়াবা মেটচ ওইখিবনা হৌবদগী য়াম্না অকনবা লম্বা ওইখি। অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপা মিনট ২০ হেন্না চঙশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

২৫শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা ৱিল কালনাননা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা হেন্দুনা ন্যু জিলেন্দগী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীবা হৌখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট খরা অদুদা ন্যু জিলেন্দগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল হন্দাকপা ঙমদনা লৈখি।


অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাকখি। ৪৪শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংনা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা ল্যুক টেলরনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা ন্যু জিলেন্দদগী হেন্দুনা চৎখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ১৬ লোমগী মতম অদুদা ন্যু জিলেন্দগী শান্নরোইশিংনা কন্না হোৎনদুনা শান্নরকখ্রবসু পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ইংলেন্দনা ন্যু জিলেন্দবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা আর্জেন্টিনাগা শান্নরগনি।

হোক্কী মেন্স ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্রোস–ওভর মেটচ অমদা ফ্রান্সনা চাইনাবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌদুনা পুল বিগী মকোক ওইরকখিবা মমাঙগী চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নরগনি।

অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদে। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাকখি।

মেটচকী ৩৬শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিমোথিনা ফিল্ড গোল অমদা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু চাইনাবু ১–০ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।



*ইংলেন্দগী জাচারি ৱালেন্স (ওইদগী ২শুবা) না ন্যু জিলেন্দগী শান্নরোই অহুম লান্থোক্তুনা বোল পুনবা হোৎনবা*

## ইন্দিয়াগী সিন্ধু বিদব্লিয়ুএফ ৱার্ল্ড টুর ফাইনেলসকী টফ দ্রোদা তাখ্রে

*গুৱানঝৌ, দিসেম্বর ১০ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপীগী মকোক থোংবা বেদমিন্টন শান্নরোই পি ভি সিন্ধু বিদব্লিয়ুএফ ৱার্ল্ড টুর ফাইনেলসকী টফ দ্রোদা তাখ্রে।

থা অসিগী ১২ দগী চাইনাগী সিটি গুৱানঝৌদা চথগদৌরিবা বিদব্লিয়ু ৱার্ল্ড টুর ফাইনেলস অসিদা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু গ্রুপ এ দা জপানগী অকানা য়ামাগুচি, চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িং অমসুং য়ুএসএগী বৈৱেন ঝাংগা তামিন্নরি।

ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু মমাঙদা দুবাইদা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ইদিসনদা রন্নর্স অপ তাহৌবনি। অদুগা জপানগী অকানে য়ামাগুচিনা টাইটল লৌখিবনি। গ্রুপ এদা সিন্ধুগা লৈমিন্নরিবা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই টাই ঝু য়িং হৌজিক–হৌজিক ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা অহুম্লকশুবা ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী সিন্ধুনা মহাক্কী অহানবা মেটচ দিসেম্বর ১২ দা জপানগী অকানে য়ামাগুচিগা শান্নগনি।

হন্দক্তা লোইশিনখিবা সায়েদ মোডি ইন্টরনেসনেল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী সমির ভর্মনা অহানবা রাউন্দদা জপানগী কেন্টো মোমোটাগা শান্নরগনি।

গ্রুপ খূদিংগী মকোক থোংবা শান্নরোই ২ / ২ না সেমি ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমগদৌরি।



## রিভর প্লেটনা বোকা জুনিয়র্সপু এক্সত্রা টাইমদা পাঞ্জল ৩–১ দা থোইদুনা এগ্রিগেটতা ৫–৩ দা হেন্দুনা কোপা লিবরটেদোরসকী টাইটল লৌখ্রে

*মাদ্রিদ, দিসেম্বর ১০ঃ*

কোনমেবোলনা শীন্দুনা চথরকখিবা সাউথ অমেরিকান প্রেমিয়র ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কোপা কোনমেবোল লিবরটেদোর্সকী অনীশুবা লেগতা রিভর প্লেটনা বোকা জুনিয়র্সপু পাঞ্জল ৩–১ দা থোইদুনা এগ্রিগেটতা ৫–৩ দা হেন্দুনা ৪রকশুবা টাইটল লৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াই মমাঙ থাগী ১২ দা আর্জেন্টিনাগী কোনুং বিনোস আইরেজদা শান্নখিবা কোপা কোনমেবোল লিবরটেদোর্স ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহানবা লেগতা রিভর প্লেট অমসুং বোকা জুনিয়র্স পাঞ্জল ২–২ চন্নরগা দ্রো চৎখিবনি।

ঙসি স্পেনগী কোনুং মাদ্রিদতা লৈবা সান্টিয়াগো বর্নেবু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অনীশুবা লেগকী মেটচ অদু রিভর প্লেট অমসুং বোকা জুনিয়র্সগী শান্নরোইশিংগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লক্কদৌরবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনট অমত্তা ঙাইরবা মতমদা রিভর প্লেটকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা দারিও বেনেদেট্টোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা বোকা জুনিয়র্সপু ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা পাঞ্জল অমা শোথদুনা লৈরিবা বোকা জুনিয়র্সকী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা কন্না হোৎনদুনা রিভর প্লেটকী মায়কৈদা এটেক কয়া চথরকখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৬৭শুবা মিনটতা বোকা জুনিয়র্সকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা লুকাস প্রাট্টোনা পাঞ্জল অমা চনশিনবা ঙমদুনা টিম অনীমক ১–১ দা মান্নখি।

মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না পাঙ্গল মান্ননা লৈখি। বোকা জুনিয়র্সকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নরকখ্রবসু মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৯০গী মনুংদা অহেনবা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎতুনা লৈখি।

মায় পাকপা টিম খন্নবগীদমক এক্সত্রা টাইমগী অপীবা মতমমিনট ৩০ শান্নবা হৌরকখি। শান্নবগী ৯২শুবা মিনটতা বোকা জুনিয়র্সকী শান্নরোই ৱিলমর বারিওস মেটচ অসিদা য়েল্লো কার্দ অনী রেফরিনা পীখিবদগী রেদ কার্দ উৎতুনা তান্থোকখিবদগী টিম অসিগী শান্নরোই ১০ দমক ঙাইহৌখি।

শান্নরোই অমা ৱাৎপগী খুদোংচাবা লৌদুনা রিভর প্লেটকী শান্নরোইশিংনা মেটচকী ১০৯ শুবা মিনটতা চথরকখিবা এটেক অমদা জুৱান ক্বিন্টেরোনা পাঞ্জল অমা চনশিনবা ঙমদুনা ২–১ দা মাঙজিল থাবা ঙমদুনা মায় পাকপগী লম্বেল নকশিল্লকখি।

বোকা জুনিয়র্সকী শান্নরোইশিংনা শোথখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি। এক্সত্রা টাইমগী অরোইবা মিনটতা রিভর প্লেটকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা গোঞ্জালো মার্টিনেজনা পাঞ্জল অমগা চনশিনবা ঙমদুনা মেটচ অদু ৩–১ দা মায় পাকখিবগা লোয়ননা এগ্রিগেটতা ৫–৩ দা হেন্দুনা রিভর প্লেটনা কোপা কোনমেবোল লিবরটেদোর্স ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখি।



*রিভর প্লেটকী শান্নরোইশিংনা কোপা কোনমেবোল লিবরটেদোর্সকী টাইটল লৌদুনা হরাওবা উৎপা*

## স্পেনগী লা লীগাদা রিয়েল ভালাদোলিদ অমসুং রিয়েল বেটিস মায় পাকখ্রে ইটালিগী সেরি এদা জেনোৱা অমসুং এসপিএএল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে

*মাদ্রিদ। রোম, দিসেম্বর ১০ঃ*

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাদা রিয়েল ভালাদোলিদ অমসুং রিয়েল বেটিস মায় পাকখ্রে, ইটালিগী সেরি এ ফুটবোলদা জেনোৱা অমসুং এসপিএএল পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।

লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা রিয়েল ভালাদোলিদনা রিয়েল সোসাইদেদপু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরমখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল রিয়েল ভালাদোলিদকী শান্নরোই টোনী ভিল্লানা শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা চনখিবা পাঞ্জলনা ১–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবাহাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৫৪শুবা মিনটতা রিয়েল ভালাদোলিদকী শান্নরোই এন্টোনিওনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা হেন্দুনা রিয়েল সোসাইদেদকী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৬২শুবা মিনটতা রিয়েল সোসাইদেদকী শান্নরোই মাইকেল ওয়ারজাবালনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি। মখা তাবা মেটচকী লেমহৌবা মিনট ২৮ রোমগী মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু রিয়েল ভালাদোলিদনা রিয়েল সোসাইদেদপু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা রিয়েল বেটিসনা রায়ো ভাল্লেকানোবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরমখি। মেটচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৯শুবা মিনটতা রিয়েল বেটিসকী শান্নরোইশিংনা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অদুগা শরুক য়ারিবা জিওভানি লো চেলসোনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।


মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭৬শুবা মিনটতা রিয়েল বেটিসকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা সিদনৈনা পাঞ্জল অমগা চনশিনবা ঙমদুনা মেটচ অদু রিয়েল বেটিসনা রায়ো ভাল্লেকানোবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা জেনোৱা অমসুং এসপিএএল পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি।

মেটচকী ১১শুবা মিনটতা জেনোৱাগী শান্নরোই দোমেনিকো কুসকিটো চৎন–পথাপকী ৱাবদা শান্নরকবগীদমক মেটচ অদু কন দক্ষ তৌখিবা রেফরিনা রেদ কার্ড উৎতুনা তান্থোকখিবদগী টিম অসিগী শান্নরোই ১০ খক ঙাইহৌখি।

শান্নরোই অমা ৱাৎপগী খুদোং চাবা লৌদুনা ১৫শুবা মিনটতা এসপিএএলগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা এন্দ্রিয়া পেটাগনানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী ৩৮শুবা মিনটতা জেনোৱাগী শান্নরোইশিংনা পেনাল্টি অমা ফংখি। পাঞ্জল শোয়দনা ওইবা য়াবগী খুদোংচাবা অদু টিম অদুগী শান্নরোই কিরজিজটোফ পিয়াটেকনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেটচ অদু ১–১ দা দ্রো চৎখি।



*রিয়েল সোসাইদেদ অমসুং রিয়েল ভালাদোলিদনা শান্নখিবা লা লীগাগী মেটচ অমা*

## সাউথ য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লব সেকেন্দ দিভিজন লীগতা শরুক য়ারগনি

*বেঙ্গালুরু, দিসেম্বর ১০ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা মরুওইবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা হেরো সেকেন্দ দিভিজন লীগতা কর্নাতকাগী ক্লব সাউথ য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লব শরুক য়ারগনি হায়না এআইএফএফ লীগ কমিতিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

সেকেন্দ দিভিজন লীগতা নৌনা শরুক য়াগদৌরিবা সাউথ য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লব কুমজা ২০১৩ দা আই–লীগ টুদা অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবনি। টিম অসিগী কোচনা মিক্কেল লাদোনানি। অদুগা সিইওনা প্রনভ ত্রেহাননা ওইরি।

কর্নাতকা ষ্টেটকী ওইনা লীগ অসিদা অনীশুবা টিম ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা সাউথ য়ুনাইটেদ এফসিগী দিরেক্তর সরন পারিখনা ঙসি এআইএফএফকী লীগ কমিতিনা ক্লব অসিবু শরুক য়ানবগী লাওথোরকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।

মণিপুরগী ফুটবোল ক্লব টিদ্দিম রোদ এঠলেটিক য়ুনিয়ন (ত্রাও) এফসিদি ষ্টেট অসিগী লোকেল লীগকী চয়েৎনবা লৈরিবা অসিনা মরম ওইরগা মপুং ফাবা লাইসেন্স পীরক্কবগীদমক এআইএফএফ লীগ কমিতিনা নুমিৎ ৩ নিগী মতম পীখি। লীগ অসিদা শরুক য়াগদবা আইএসএলদগী রিজার্ব তৌখ্রবা ক্লবশিং অদুদি এটিকে, জমসেদপুর এফসি, বেঙ্গালুর এফসি, এফসি গোৱা, কেরলা ব্লাষ্টর্স এফসি অমসুং চেন্নাইন এফসিনি।

### ক্রোসৱার্দ ৮গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | L | F | I | E | ■ | A | R | T | S | ■ | K | A | L | E |
| L | E | A | R | N | ■ | S | K | E | W | ■ | I | B | I | D |
| S | O | C | K | I | T | T | O | M | E | ■ | S | E | N | D |
| O | N | E | ■ | G | H | I | ■ | P | A | R | S | L | E | Y |
| ■ | ■ | ■ | H | M | O | ■ | T | O | T | E | M | ■ | ■ | ■ |
| R | E | S | E | A | R | C | H | ■ | S | N | Y | D | E | R |
| E | V | E | R | ■ | N | O | E | L | ■ | A | G | R | E | E |
| H | I | V | E | ■ | S | P | R | I | G | ■ | R | O | R | Y |
| A | T | E | S | T | ■ | A | M | M | O | ■ | I | L | I | E |
| B | A | N | J | O | S | ■ | A | P | O | S | T | L | E | S |
| ■ | ■ | ■ | O | N | E | A | L | ■ | G | I | S | ■ | ■ | ■ |
| R | E | D | H | E | A | D | ■ | B | O | G | ■ | L | E | A |
| I | R | O | N | ■ | C | O | M | E | O | N | D | O | W | N |
| C | O | R | N | ■ | O | R | A | L | ■ | A | I | D | E | D |
| E | S | P | Y | ■ | W | E | N | T | ■ | L | E | E | R | Y |